## ওপোজিসন লীদর সম্মন তৌখ্রে

কোলকটা, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী): ৱেষ্ট বেঙ্গল ক্রাইম ইনভেষ্টিগেসন দিপার্টমেন্ট (সী আই দি)না ষ্টেট এসেমব্লিগী ওপোজি লীদর সুভেন্দু অধিকারিবু মহাক্কী বোদিগার্দ সুভব্রতা চক্রবর্তি শিখিবগা মরী লৈননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লাক্নবা খঙহনখ্রে।

মসিগী মমাঙ হৌখিবা জুলাই থাদা মেম্বর মরিগী সী আই দি দেলিগেসন অমা পুরবা মেদিনিপুরদা চৎতুনা চক্রবর্তিগী মীশি অদুবু থিজিনবা হৌখি। কেস অসি চহী অহুমগী মমাঙদা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা চক্রবর্তি শিখিবগা মরী লৈনৈ। সী আই দিনা কেস অসি জুলাই ১৪দা পুরব মেদিনিপুরগী কান্থি পুলিস ষ্টেসনদগী লৌখিবনি।

কেস অসি ওপোজিসন লীদর অসিগী বোদিগার্দ ওইরম্বা লৈখিদ্রবা চক্রবর্তিগী লোয়নবী সুপর্না কাঞ্জিলাল চক্রবর্তিনা ফাইল তৌখিবনি।

## এফ আই আর রেজিষ্টর তৌখ্রে

রাইপুর, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী): ব্রাহ্মিন কাঙলুপকী মায়োক্তা ফজদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবা ছট্টিসগড়গী চীফ মিনিষ্টর ভুপেশ বাঘেলগী অপোকপা নন্দ কুমার বাঘেলগী মায়োক্তা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে। মহাক্কী কম্মেন্টশিং অদু সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইরকখিবনি। কমপ্লেন্ট অদু অভিনাস পান্দে অমসুং অতৈ মীওই খরনা ফাইল তৌখিবনি।

আই পি সীগী সেক্সনশিং ১৫৩-এ অমসুং ৫০৫-এগী মখাদা নন্দ কুমার বাঘেলগী মায়োক্তা রাইপুরগী দিন দয়াল পুলিস ষ্টেসনদা এফ আই আর অদু রেজিষ্টর তৌখিবনি। খোঙথাং অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর বাঘেলনা কনামত্তা লোগী মথক্তা লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইস্যু অসিগী মতাংদা বি জে পিনা চীফ মিনিষ্টরবু চৈখিবগা লোয়নননা থাংজ নুমিত্তা ব্রাহ্মিন কাঙবুগী মীওইশিংনা রেল্লি অমা পাঙথোক্লুনা নন্দ কুমার বাঘেলগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎনবা দিমান্দ তৌখি। সী এম বাঘেলনা হায়, মচানুপা অমা ওইনা ঐহাক্না ইপাবু ইকায় খুম্নে। তৌইগুম্বসুং চীফ মিনিষ্টর ওইনা লোনা খ্বাইদগী মরু ওই।

## কেরেলাগী কোঝিকোদতা হেল্থ ৱার্কর ২দা নিপাহগী লাইওংশিং থেংনবদগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে

তিরুবান্থপুরম, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী): কেরেলাগী কোঝিকোদতা চহী ১২গী নুপামচা অমা নোংমাইজিং নুমিৎতা নিপাহ ভাইরস ইনফেক্সননা মরম ওইদুনা শিখ্রবা মতুংদা নুপামচা অদুগা শম্নখিবা হেল্থ ৱার্কর অনী লায়না অসিগী লাইওংশিং উৎলক-পদগী হৌজিক য়েংশিন্দুনা লৈরি।



ষ্টেট হেল্থ মিনিষ্টর ভীনা জোর্জ নোংমাইজিংগী অয়ুক্তা ষ্টেট পি দব্লিয়ু মিনিষ্টর পি এ মোহম্মদ রিয়াজ অমসুং ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর এ কে সসীন্দারনগা লোয়নননা কোঝিকোদতা চঙশিনখি অমসুং হেল্থ, রেভিন্যু অমসুং পুলিস ওফিসলশিংগা লোয়নননা রিভিয়ু মীটিং অমা পাঙথোকখ্রে।

রিভিয়ু মীটিং অদুদা মরু ওইনা, চহী ১২গী নুপামচা অমা লৈখিদ্রবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফিভম মেনেজ তৌনবা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং অমসুং কুমজা ২০১৪গী ময়ায় চল্লকপদা ষ্টেট অসিদা লাকশিনখ্রবা নিপাহ ভাইরস অমুক হল্লকপগী ৱাফম খন্নখি।

মমাঙদা কুমজা ২০১৮ দা থোককখিবা নিপাহ ভাইরসকী এটেক অদুদা মীওই ১৭কী পুন্সি লোমখি। হৌজিক গভর্ণমেন্ট অমসুং হেল্থ দিপার্টমেন্টনা ভাইরস অসিনা মরম ওইদুনা মীশি-মীনা হেন্না থোকহন্দনবগী থৌরাংশিং লৌখৎলক্লি।

হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না, লৈখিদ্রবা নুপামচা অদুগী কন্টেক্ট লিষ্টতা য়াওবা হেল্থ ওফিসল অনীদা ভাইরস অসিগী লাইওংশিং উৎলক্লে। কন্টেক্ট লিষ্ট অদুদা পূন্না মীওই ১৮৮ য়াওরি। মখোয়গী মনুংদা মীওই ২০দি ইন্দেক্স লিষ্ট নৎত্রগা হাই রিস্ক কেটেগরি মনুং চল্লি।

ষ্টেট হেল্থ মিনিষ্টর ভীনা জোজ'না পাউমীশিংদা ফোঙদোরকখিবদা, হেল্থ ৱর্করশিংদুগী মনুংদা অমদি কোঝিকোদ গভর্ণমেন্ট মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটালগীনি অমসুং অতোপ্পদুনা নুপামচা অদু লায়েংখিবা প্রাইভেট হোস্পিটালগীনি। কোঝিকোদতা লৈবা গভর্ণমেন্ট গেষ্ট হাউসতা রিভিয়ু মীটিং পাঙথোক্লবা মতুংদা ৱা ঙাঙখিবা হেল্থ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি, ভাইরেল এটেক অসিগা মরী লৈননা থোইদোক্না ৱানিঙাই ওইদে, তৌইগুম্বসুং খরা মীকূপ নাহুম শিংনা লৈবদি মথৌ তাই। ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা, কোঝিকোদ গভর্ণমেন্ট মেদিকেল কোলেজগী ৱার্দ অমা নিপাহ ৱার্দ ওন্থোকপগা লোয়নননা কন্ট্রোল রূম অমা হাংলে।

কোঝিকোদ গভর্ণমেন্ট মেদিকেল কোলেজগী মথোল অহুমগী পে ৱার্দতা নিপাহ অমসুং হাই-রিস্ক পেসেন্টশিং থম্লগনি অমসুং হেল্থ ৱার্করশিং অদু ফেসিলিটি অদুদা হোংজিল্লগনি। হেল্থ ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না, নুপামচা অদু হন্দক্তা কোভিদতগী ফরকখিবা মতুংদা লাইহৌ হন্দবদগী হোস্পিটালদা পুখৎখিবনি। মহাক অহানবদা কোঝিকোদ মেদিকেল কোলেজদা এদমিট তৌখি অমসুং মতুংদা প্রাইভেট হোস্পিটাল অদুদা হোংজিনখি।

## আর্মি ভেটরনশিংদা নমথাক তৌরম্বা খূৎপু অমা দেল্লী পুলিসনা ফারে

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী): ভেটরন আর্মি ওফিসলশিংদা টার্গেট তৌবা ইন্সুরেন্সকা মরী লৈননা নমথাক তৌরম্বগী কেস অমদা চেন্নবা ইকনমিক ওফেন্দর মরিগী গেং অমা দেল্লী পুলিসনা ফারে।



গ্রুপ অদুনা আর্মি ভেটরনশিংদা নমথাক তৌদুনা মখোয়গী পীথোক্তনা লৈরিবা ইন্সুরেন্স মেচুরিটি অমসুং বোনসকী শেনফমশিং থাদোকহনগনি হায়না থাজহনখি। নমথাক তৌবশিং অদুনা ভেটরনশিংদা শেল চাওনা দিমান্দ তৌখি। পুলিসকী মতুং ইন্না, নমথাক তৌবা মীওই খূৎপু অদুনা থবক্তগী পোত্থারবা আর্মি ওফিসর ৫৪দা টার্গেট তৌরমখি। ভেটরন ১৩দি নমথাক তৌবশিংদুদা থাজখি অমসুং মখোয়দগী গেং অদুনা লুপা ক্রোর কয়া লৌথোকখি।

নমথাক তৌবা খূৎপু অদুদা য়াওবা মীওই মরি অদু রাজ রাজপুট (৩৬), প্রভাত কুমার (৩৩), রাম নরেশ (৫২) অমসুং রাম সাগর (২৮) কৌই। গ্রুপ অসি তোঙান তোঙানবা নমথাক্কী অতৈ কেস কয়াদা চেন্নরমখি। মখোয়না ষ্টেট কয়াগী মীওই কয়াদা নমথাক তৌরমখি। এদিসনল কম্মিস্নর ওফ পুলিস (ইকনমিক ওফেন্সেস ৱিং) তৌবশিং অসিনা ভেটরনশিংদা ফোন তৌদুনা এ জি আই এফ (আর্মি গ্রুপ ইন্সুরেন্স ফন্দ) দগী শেল বেনিফিট খরা মখোয়দা থাদোক্লগনি হায়রকখি। মখোয়না পেন্সনরশিং, লৈখিদ্রবা ভেটরনশিংগী খ্বাইদগী নক্লবা মীওইশিংদা ফোন তৌদুনা লুপা লাখ ৩-৪ ফাওবা থাদোক্লগনি হায়না থাজবা পীখি অমসুং ফন্দ থাদোক্লবগী প্রোসেসিং ফীগী মিংদা এদভান্স ওইনা লুপা ৩০,০০০ দগী লুপা ৪০,০০০ ফাওবা দিমান্দ তৌখি।

ভিক্তিমশিংদুগী মনুংদা অমা ওইরিবা আর্মি সর্ভিস কোরগী কর্নেল জি এস খাননা হৌজিক ফাওবদা মহাক্কী একাওন্টতগী নমথাক তৌবশিং অসিদা লুপা ক্রোর ১.২৭ পীখ্রে। অতৈ থবক্তগী পোত্থারবা আর্মি ওফিসরশিংদসু মীওইশিং অসিনা টার্গেট তৌখি অমসুং নমথাক তৌবশিং অসিগী ইন্সট্রক্সন্দা অতৈ ওফিসর ১২নসু তোঙান তোঙানবা বেঙ্ক একাওন্টশিংদা তোঙান তোঙানবা শেনফমশিং দিপোজিট তৌখ্রে।

পুলিসনা হায়, ইকনমিক ওফেন্দরশিং অসিনা শীজিন্নখিবা ফোন নম্বরশিং অমসুং একাওন্ট হোল্ডরশিংগী এদ্রেস খূদিংমক ভেরিফায় তৌবদা নত্তনা বেঙ্ক একাওন্ট ৫০ হেন্না এনালাইজ তৌখি।

ভিক্তিমশিংগী শেল ক্রেদিট তৌখিবা বেঙ্ক একাওন্টশিং অদু অশানবা যূমশিংদা চল্লাইবনি হায়বা তোঙান তোঙানবা ফার্মশিংগী মিংশিংদা এক্যুজ রাম নরেশ অমসুং রাম সাগরনা হাংখিবনি হায়বসি ইনভেষ্টিগেসনদা খঙবা ঙমখি।

প্রোপর্টিশিং অদুগী মপুশিংনদি ওফেন্দরশিংদুগী লংলা-লংজিলশিং খঙদে। নমথাক তৌদুনা থাজিনহল্লকপা শেনফমশিং অদু এ টি এমশিং নৎত্রগা চেকশিংগী খূথাংদা খূদক্তা ৱিথদ্রো তৌখি। বেঙ্ক একাওন্টশিং অদু এনালাইসিস তৌবদা এক্যুজ প্রভাত কুমারনা সেল্ফ চেকশিং শীজিন্নরগা কেস ৱিথদ্রো তৌখি হায়বসি খঙবা ঙমখি।

দেল্লী পুলিসনা কুমজা ২০১৯গী সেপ্টেম্বর ১৭তা আই পি সীগী সেক্সন ৪২০, ১২০-বিগী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌবগা লোয়নননা নমথাক তৌবশিং অসিবু থীরকখি।

## ফিরোজবাদতা দেঙ্গি ভাইরেল ফিভরগী কেসশিং হেনগৎলকপদগী ওফিসল কয়া সস্পেন্দ তৌখ্রে

অগ্রা, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী): উত্তর প্রদেশকী ফিরোজবাদতা দেঙ্গি, ভাইরেল ফিভর অমসুং মশক খঙদবা লায়না খরগী কেস মীপাইনিঙাই ওইবা মওংদা হেনগৎলকপদগী ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ওফিসল তরুক সস্পেন্দ তৌখ্রে।

মাথুরা অমসুং অগ্রাদসু অতৈ ওফিসল খরগী মায়োক্তসু এক্সন লৌখৎখি। লূ-নানবগী ৱাফমশিং থৌশাদবগীদমক ফিরোজবাদকী লোকল বোদিশিং মায়কৈ কয়াদগী চৈ থাংনরি। লোকল পোলিটিসিয়ন অমনা ফোঙদোরকপদা, হৌখিবা নুমিৎ ১০নিরোমসিদা কেস মশিং য়ামখৎলকপদগী অচৌবা দ্রাইভ অমা লোঞ্চ তৌখি। তৌইগুম্বসুং রিজল্ট খঙবদা মতম খরদি চঙগনি।

কাঙনা শন্দোকপা লায়নাশিং খুদোংথীনিংঙাই ওই হায়বসি মীয়ামদা ৱাখল তাহন্নবগীদমক্তা অগ্রা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট পি এন সিংহনা হেল্থ দিপার্টমেন্টনা ঙাক্নদবা ইন্সট্রক্সনশিং পরিং নাইনা ইস্যু তৌখ্রে। টিম কয়ানা লোকলিটিশিংদা চৎতুনা য়েংশিল্লুরবা মতুংদা অগ্রা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসননা যূমথোঙ ২৫০ হেনবদা নোটিস থাখ্রে।

হেল্থ ৱার্করশিংগী মতুং ইন্না, কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মনুংদা স্লমশিং অমসুং লো ইনবা গ্রুপ এরিয়াশিংদা ইনফেক্সনগী চাং নেম্বা উখি। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি মফমশিং অসিদা মলেরিয়া, দেঙ্গি, ভাইরেল ফিভরগী কেস মশিং ৱাংখৎলক্লে। হৌজিক এন এন মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটালগী ৱার্দশিং পেসেন্টশিংনা থল্লে। দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী ফিভমসু মান্নে। রুরেল এরিয়াশিংদা লৈরিবা প্রাইমারি হেল্থ সেন্টর (পি ঐচ সী) শিংদসু পেসেন্ট মশিং মীপাইনিঙাই ওইনা হেনগৎলক্লি। ওইরক্লিবা ফিভম অদু য়েংশিন্নবগীদমক সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী টিম অমা ফিরোজ দবাদতা থুংখ্রে।

দোক্টরশিংগী মতুং ইন্না পেসেন্টমশিং হেনগৎলক্লিবা অদু মরু ওইনা অমোৎ-অকায়শিং পৈশিনবা হেনগৎলকপা, ঈরম খোংলমশিং ফূনজিনখিবা অমসুং ম্যুনিসিপাল এরিয়াশিংদা লৈরিবা ড্রেনশিং পাথোরকপগা মরী লৈনৈ। ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসননা সিটিগী মনুং থংবা এরিয়াশিংদা ফোগ্গিং অমসুং লূ-নালহনবগী দ্রাইভ হৌখ্রবসু সিটিজনশিংনসু ঈরম অসিদা থৱায় য়াওবা চঙই হায়না ইনভাইরনমেন্টেলিষ্ট দেভশিশ ভট্টচার্য্যনা ফোঙদোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট মলেরিয়া ওফিসর আর কে দিক্সিটনা হায়, অর্বান এরিয়াশিংদা ঐখোয়না সর্ভে কন্না চথুরি অমসুং মফমশিং অদু লেপ্তুনা মোনিটর তৌবগা লোয়নননা কাঙ মচা শিননবা হীদাক কাপ্পি। থাংজ নুমিত্তা নোদেল ওফিসর এদিসনল প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি হেমন্ত রাওনা চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যানাঠনা ৱেষ্ট ত্রিটমেন্ট প্লান্টশিং য়াওনা মফম কয়া চত্তুনা য়েংশিনখি।

## কার এক্সিদেন্টতা মীওই মঙা শিরে

চেন্নাই, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী): নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা খামদুনা লৈবা লোরি অমদা অচেনবা কার অমনা থোমজিনবগী থৌদোক্তা কার অদুদা তোংলকপা নহা ওইরিবা মীওই মঙা শিখ্রে। থৌদোক অদু টামিল নাদুগী কেপিটেল চেন্নাইগা নক্লবা পেরিংগলাথুরদা থোকখিবনি।

নহাশিং অদু কার অদু তোংদুনা চেন্নাইদগী ভন্দল্লুর তম্না লাকখিবনি। মখোয় চেন্নাইদা লৈবা হিন্দুষ্টান য়ুনিভর্সিটিদগী ইঞ্জিনীয়ারিং দিগ্রী ফংবদা ঙাইরিবশিংনি। অখাম্বা লোরিদা থোমজিনখিবগী থৌদোক অদুদা কার অদুগী দ্রাইভরসু মফম অদুদা শিখি।

থৌদোক অদুদা কার অদু ফিভম থীনা অকায়-অতোয় নংখিবগা লোয়নননা নহাশিং অদুগী হকচাংশিং অদু মতম শাংনা ফিভম কায়রবা গাড়ী অদুগী মনুংদা য়াওরগা লৈখি। পুলিস অমসুং ফায়র ফোর্স পর্সনলশিংনা কন্না হোৎনদুনা কার অদুদগী হকচাংশিং অদু লৌথোকপা ঙমখি হায়রি।

## স্মৃতি ইরানিগী সিগনেচর শারম্বা দেন্টেল সর্জন কোর্টনা জেলদা থাজিনখ্রে



অমেথি, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী): ইন্টরনেসনল শুট্টর ভর্তিকা সিংহবু নেসনল ৱিমেন'স কম্মিসন (এন সী দব্লিয়ু)গী মেম্বর অমা ওইনা খনবগা মরী লৈনবনি হায়বা দোক্যুমেন্ট অমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টির স্মৃতি ইরানিগী সিগনেচর শারম্বগী মরালদা দেন্টেল সর্জন অমা ফাবগা লোয়নননা য়ু পিগী সুলটানপুরদা লৈবা লোকল কোর্ট অমনা জেলদা থাজিনখ্রে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ইরানিগী এইদ অমা ওইরিবা ভিজয় গুপ্তনা কুমজা ২০২০গী নভেম্বর ২৩দা ফাইল তৌখিবা এফ আই আর অমগা মরী লৈননা কোর্টনা ৱায়েল পীখিবনি। অমেথিগী মুসাফির পুলিস ষ্টেসনদা ফাইল তৌখিবা এফ আই আর অদুদা গুপ্তনা ভর্তিকা অমসুং হান্নগী কোংগ্রেস এম পি কমল কিশ্বরবু সোসল মীদিয়াদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিগী ইমেজদা শোক্লিংঙাই ওইবা শেমজিন-শাজিনবা দোক্যুমেন্টশিং সর্ক্যুলেট তৌবগী মরাল শীখি।

দোক্যুমেন্টশিং অদুদা ভর্তিকানা হায়খি মদুদি, ভিজয় গুপ্তনা মঙোন্দা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ইরানিগী খূথাংদা নেসনল ৱিমেন'স কম্মিসন (এন সী দব্লিয়ু)গী মেম্বর অমা খলহল্লগনি হায়না নমথাক তৌদুনা থাজহল্লগা মঙোন্দগী লুপা লাখ ২৪ লৌখি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা মুসাফিরখানাগী পুলিস ইন্স-পেক্টর পরশুরাম ওজাহনা ফোঙদোরকখিবদা, ইনভেষ্টিগেসন্দা ভর্তিকানা হান্নগী কোংগ্রেস এম পিগা লোয়নননা সর্ক্যুলেট তৌখিবা দোক্যুমেন্টশিং অদু দেন্টেল সর্জন ডা. রাজনিশ কুমারনা ভর্তিকা সিংহগা য়ানরগা শেম শাবনি হায়বসি খঙবা ঙমখি।

ওজাহনা মখা তানা হায়, দিশওনেসলি, ফোর্জরি, মরু ওইবা দোক্যুমেন্টশিং ফোর্জরি তৌরম্বগী চার্জশিংদা ভর্তিকা সিংহ, ডা. রাজনিশ কুমারগী মায়োক্তা ঐখোয়না চার্জসীট অমা ফাইল তৌখি। চাজসীট অদু ফাইল হেক তৌবগা ডা. রাজনিশ কুমার লোৎখি। মদুগী মতুংদা পুলিসনা কোর্টতা মহাক্কী মায়োক্তা নন-বেলেবল ৱারেন্ট (এম বি দব্লিয়ু) অমা ইস্যু তৌনবা হায়জখি।

দেন্টেল সর্জন অদু মমৈথংদা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা সরেন্দর তৌখিবগা লোয়নননা পুলিসনা মহাক্কী প্রোপর্টি ফাজিন্নবগী প্রোসিদিংশিং লৌখৎপা হৌখি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর স্মৃতি ইরানিগী সিগনেচর শারম্বগী কেসকা মরী লৈননা ফারবা ডা. রাজনিশ কুমার স্পিসিএল জজগী কোর্টতা পুথোকখি অমসুং কোর্টনা মহাকপু সেপ্টেম্বর ১৭ ফাওবা জেলদা থম্নবা খঙহনখি।

চৈরক অসিদা ভর্তিকা সিংহনসু কোর্টতা পিটিসন অমা ফাইল তৌদুনা মহাক কেস অদুগী ভিক্তিম অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

## ওফিসলশিংনা ভিকাসতা মতেং পাংখি হায়বা কনফর্ম তৌখ্রে

লক্ষ্ণৌ, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী): পুলিসকী খূৎতা শিখ্রবা গেংষ্টর ভিকাস দুবেনা কন্না মথি ফোঙলকখিবা অমসুং লৈখা তাখিবগী মতাংদা থীজিনখিবা জুদিসল কম্মিসননা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি)গী ফাইন্দিংশিং শৌগৎখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং রেভিন্যু দিপার্টমেন্টকী ওফিসল ২৬না গেংষ্টর দুবে অমসুং মহাক্কী এসোসিএটশিংদা মতেং পাংদুনা খূৎলায়গী লাইসেন্সশিং অমসুং ফ্যের প্রাইস শোপকী পর্মিটশিং ফংহনখি হায়বসি এস আই টিনা থীজিনবদা খঙবা ঙমখিবনি।

কুমজা ২০২০গী জুলাই ১০দা পুলিসকা খূৎ থোক্নখিবগী থৌদোক অমদা শিখিবা ভিকাস দুবেনা জুলাই ৩ দা ভিক্রু ভিলেজদা পুলিস পর্সনল ৮ হাৎখি। পুলিস টিম অদু মী হাৎপগী কেস অমগা মরী লৈননা মহাকপু ফাবা লাকখিবনি।

সুপ্রিম কোর্টনা দুবে অমসুং মহাক্কী এসোসিএট ৫গা লোয়নননা খূৎ থোক্নখিবগী মতাংদা থবক্তগী পোত্থারবা জষ্টিস বি এস চৌহাননা লুচিংবা মেম্বর অহুমগী ইনক্বারি কম্মিসন অমবু থীজিনবগী অয়াবা পীখি।

## চহী ১৩গী নুপামচা অমনা মমান্নবা হাৎখ্রে

হমিরপুর, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী): উত্তর প্রদেশকী হমিরপুর দিষ্ট্রিক্টতা লুপা ৬০খক্কী য়েৎনবদা চহী ১১গী মমান্নবা অমা নূঙনা শুরগা হাৎখিবগী মরালদা চহী ১৩গী নুপামচা অমা পুলিসনা ফাখ্রে।

ভিক্তিম অদুগী হকচাং অদু ইরাই নুমিত্তা পীছ ১১ থোক্না থেংনখিবনি। মহাক্কী হকচাং অদু লম্লক্কী শাশিংনা শেৎখিবা ওইরমগনি হায়না থাজরি। সোর্ছশিংগী মতুং ইন্না এক্যুজ নুপামচা অদুনা সুমেরপুর টাওনগী কান্সিরাম কোলোনি মনাক্তা থোকখিবা ক্রাইম অদু য়াজখি।

পুলিসনা ক্রাইম অদুদা নুপামচা অদু চেন্নবগী থাজবা য়াবা অরোনবা পাউ অমা ফংলবা মতুংদা সুমেরপুর পুলিস ষ্টেসনগী ইন্সপেক্টর ইন-চার্জ বিরেন্দ্র প্রতাপ সিংহনা লুচিংবা ইনভেষ্টিগেটরশিংগী টিম অমনা চহী ১৩ শুবদা ঙাইরিবা নুপামচা অদুবু ইন্টরোগেসন তৌখি।

এক্যুজ নুপামচা অসিনা পুলিসতা ফোঙদোরকখিবদা, মহাক অমসুং ভিক্তিম ওইরিবা সুবি মমান্নবা ওইনা তিন্নখি অমসুং মহাক্না লৈখিদ্রবা মমান্নবা অদুদগী লুপা ৬০ পুখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না শেনফম অদু শিংবা ঙমখিদে। সুবিনা শেনফম অদু দিমান্দ তৌরকপদগী মখোয় অনী খন্নরকখি।

মহাক্না পুলিসতা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্না সুবিবু ফোরেষ্ট তম্না পুদুনা ৱারী শানখিবা মতমদা সুবিনা মঙোন্দা চৈ-থাংবা অমদি উশিত্তবা হৌরকখি। থৌওং অদুনা মরম ওইদুনা মহাক্না সুবিগা ফূ-চৈনরকখি। ঐহাক্না কিন্না থিনবদা লৈমায়দা তুখিবা সুবিনা নূঙ অমা খুনগৎতুনা ঐহাকপু হাৎনবা হোৎনরকখি। খূদক্তা ঐহাক্না নূঙ অদু মঙোন্দগী মুল্লগা মহাক্কী মকোক্তা শুখি। মদুদা মহাক লৈমায়দা হাইথখি অমসুং মকোক্তগী ঈ থোক্লকখি।

এক্যুজ নুপামচা অসিনা মখা তানা পুলিসতা হায়, লৈমায়দা তাদুনা লৈরিবা সুবিবু মহাক্না মোংশোং অমদা চিংশিল্লগা লোৎখি অমসুং মহাক মফম অদুদগী চেল্লকখি।

## অথুবদা দি য়ুগী অনৌবা ভি সী লৈরগনি



ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী): অথুবা মতমদা দেল্লী য়ুনিভর্সিটি (দি য়ু)গী অনৌবা ভাইস-চান্সেল্লর অমা লৈরগনি। অনৌবা চান্সেল্লর খনবগী প্রোসেস মপূং ফানা লোইশিল্লে।

ফম অসিগীদমক্তা কেন্দিদেট ১০ হেনবগী মিংশিং খন্নখি। মখোয়গী মনুংদা খ্বাইদগী মশক নাইবা মিংশিংগী মনুংদা জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটি (জেন এন য়ু)গী ভাইস-চান্সেল্লর (ভি সী), এম জগদিস কুমার, দেল্লী টেক্নিকোলোজিকেল য়ুনিভর্সিটি ভি সী য়োগেস সিংহ, এ দি এন বাজপাই অমসুং সঙ্গিতা মিশ্রানচিংবা য়াওরি।

দি য়ুদা নত্তনা জে এন য়ু, বানারস হিন্দু য়ুনিভর্সিটি, অসাম অমসুং রাজস্থানগী সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটিশিং অমদি অতৈ য়ুনিভর্সিটি কয়াগী ভি সীশিংসু খল্লগনি। লৈবাক অসিগী য়ুনিভর্সিটি কয়াগী ভি সীশিং অসি হাপ্পবগী সেলেক্সন প্রোসেস য়ুনিয়ন এদ্যুকেসন মিনিষ্ট্রিনা মপূং ফানা লোইশিল্লে।

য়ুনিয়ন এদ্যুকেসন মিনিষ্ট্রিগী প্রপোজেল প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীরবা মতুংদা অনৌবা ভি সীশিং অদুগী মিংশিং লাউথোক্লগনি। মসিগী মমাঙ হৌখিবা থাদা য়ুনিয়ন এদ্যুকেসন মিনিষ্ট্রিগী রিক্কমন্দেসনদা তোঙান তোঙানবা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ১২গী ভি সীশিং হাপখ্রবনি।

প্রসিদেন্ট রামনাঠ কোভিন্দনা এপোইন্টমেন্টকী অয়াবা পীখিবা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ১২ অদুদা হরিয়ানা, হিমাচল প্রদেশ, জম্মু, ঝর্খন্দ, কর্নাটকা, টামিল নাদু অমসুং হাইদ্রবাদকী সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটিশিং য়াওরি। মসিদা নত্তনা প্রসিদেন্ট কোভিন্দনা সাওথ বিহার (গয়া)গী সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, মৌলানা অজাদ নেসনল উর্দু য়ুনিভর্সিটি, নোর্থইষ্টর্ন হিল য়ুনিভর্সিটি, গুরু ঘাসিদাস য়ুনিভর্সিটি অমসুং বিলাস্পুর য়ুনিভর্সিটিগী অনৌবা ভি সীশিংগী এপোইন্টমেন্টসু অয়াবা পীখ্রে।

দেল্লী টিচর্স এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট হন্সরাজ সুমননা ফোঙদোরকপদা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসননা অথুবা মতমদা দি য়ুগী পর্মনেন্ট ভাইস-চান্সেল্লর হাপ্পনবা অকনবা প্রেশর লাকখি। পর্মনেন্ট ভি সী অমা হাপ্পবা মতুংদা অনৌবা এদ্যুকেসন পোলিসি খন্নগদৌরিবনি। মসিনা হায়র এদ্যুকেসনগী ক্বালিটি হেনগৎহনবগা লোয়নননা অনৌবা ওজাশিং হাপ্পসু য়াহল্লগনি।


Office of the
**The Kangleipak Women Multipurpose Cooperative Society Ltd.**
Kongba Laishram Leikai, Thambalkhong, Kshetrigao Block,
Imphal East District, Manipur- 795005

**/ ADVERTISEMENT**

The Kangleipak Women Multipurpose Cooperative Society Ltd. is a CLF (Cluster Level Federation) of SHGs and VLFs promoted under MSRLM (Manipur State Rural Livelihoods Mission. Total member of the society is 134 SHGs and 10 VLF from Thambalkhong Cluster, Kshetrigao Block, Imphal East district.

The Kangleipak Women Multipurpose Cooperative Society Ltd intends to recruit competent and committed staff as below;

| Post (01 each) | Max. Age limit | Educational Qualifications | Work Experience | Other Qualifications | Skills needed | Salary per month |
|---|---|---|---|---|---|---|
| Manager | 40 years as on 31/9/21 | Any Graduate (PG would be preferable) | At least 2 years of working experience with SHGs | Should be very comfortable with MS office and should have basic accounts knowledge | Should have good analytical skills, reporting skills, adept at MS Office, excellent numerical skills, empathetic towards community, self motivated towards the work and mission of the federation | Rs. 12,000/- (Extra TA/CA will be provided) |
| Accountant | 38 years as on 31/9/21 | Any Graduate (Commerce would be preferable) | At least 6 months experience of book keeping or accounts. | Knowledge MS office and Tally mandatory. | Analytical skills, Arithmetic skills, book keeping skills, reporting preparation, preparing and maintenance of database etc. | Rs. Rs. 10,000/- (Extra TA/CA will be provided)0/- |

Preference will be given to; (a) the local candidates of the Imphal East District (strictly not allowed from other Districts. (b) SHGs members (or family members of SHG members promoted under MSRLM)

Interested eligible candidate can collect application forms with Job description from the office of the Kangleipak Women Multipurpose Cooperative Society Ltd. during office hours (11.00am to 3.00pm) from 7-11/September,2021. Filled application form to be submitted latest by 15/September, 2021. Selection process involves written, GD, PI and field stay. Only those willing to serve the poor community with full commitment and having valid driving license, able to drive two wheeler and willing to travel alone with night stay at village should apply.

**Sd/- President,**
*The Kangleipak Women Multipurpose Cooperative Society Ltd.*

HL-P/6944/5 & 6 Sept.


## কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Deaths |
|---|---|---|
| **Manipur** | **1,15,077+322** | **1,796+2** |
| Maharashtra | 64,80,000+4,130 | 1,38,000+64 |
| Kerala | 41,80,000+29,682 | 21,422+142 |
| Karnataka | 29,50,000+983 | 37,401+21 |
| Tamil Nadu | 26,20,000+1,575 | 35,000+20 |
| Andhra Pradesh | 20,20,000+1,502 | 13,903+16 |
| Uttar Pradesh | 17,10,000+26 | 22,854 |
| West Bengal | 15,50,000+700 | 18,491+8 |
| Delhi | 14,40,000+55 | 25,082 |
| Odisha | 10,10,000+681 | 8,040+5 |
| Chhattisgarh | 10,00,000+46 | 13,556 |
| Rajasthan | 9,54,000+10 | 8,954 |
| Gujarat | 8,25,000+15 | 10,082 |
| Madhya Pradesh | 7,92,000+22 | 10,516 |
| Haryana | 7,71,000+9 | 9,683+2 |
| Bihar | 7,26,000+11 | 9,654 |
| Telangana | 6,59,000+306 | 3,883+3 |
| Punjab | 6,01,000+35 | 16,439+2 |
| Assam | 5,92,000+542 | 5,693+10 |
| Jharkhand | 3,48,000+9 | 5,133+1 |
| Uttarakhand | 3,43,000+14 | 7,388+1 |
| Jammu and Kashmir | 3,26,000+116 | 4,410+1 |
| Himachal Pradesh | 2,14,000+215 | 3,609+1 |
| Goa | 1,74,000+97 | 3,203 |
| Puducherry | 1,24,000+120 | 1,816+1 |
| Tripura | 83,284+87 | 803 |
| Meghalaya | 76,767+263 | 1,325+2 |
| Chandigarh | 65,119+5 | 814 |
| Mizoram | 63,784+967 | 222+2 |
| Arunachal Pradesh | 53,302+85 | 264+2 |
| Nagaland | 30,302+58 | 626 |
| Sikkim | 30,163+93 | 373 |
| Ladakh | 20,578+2 | 207 |
| Lakshadweep | 10,348 | 51 |
| Andaman and Nicobar Islands | 7,572+2 | 129 |